কেনখিগনি লৈৰাং

নোংমদি



অইবা:—
বাংখে পা.
আর. কে. ... ন সিংহ


কেনখিগনি লৈরাং

নোংমদি

অইবা :-
আর, কে, জয়কুমার সিংহ
রাংথৈ থাংজম লৈকাই

ফোংজবা ঃ

য়ুট কেরিয়ার ডিভেলপমেণ্ট সেণ্টর;
পাউনা বাজার, ইম্ফাল



- [illegible]বা কপী ১০০০
- হক পুম্নমক অইবগীনি
- শোক ১৯৯৭
- মমল লুপা ১০/- (লুপা তরা)
- কংফম ঃ ইম্ফাল লাইব্রিক য়োনবা তুকানশিং অমদি রাই, সি; ডি, সি

লাইব্রিক নমফম ঃ 'প্রতাপ প্রিন্টিং রাম্স; পাউনা বজার, ইম্ফাল

ৱাহৈ খরদং

ইবমদম ক'লৈপাক অসিদা নোংমা নোংমগী হোংলক্লিবা ইচেল অসিগা ইরোইননা শৈরেং লাংরিক অসি ইজবনি।

শৈরেংশিং অসিগী মরু ওইবা শম্নপ্না মুংগী ইচেলদি সমাজ সংস্কারদা যুম্ফম ওইজবনি। শৈরেং পাবিবিবশিংনা থম্মোয়দা সমাজ সংস্কারগী ৱাখল থজিক্ক' ফাওবীবা ভগ্নবদি শৈরে' লাইৱাকসি ইজবগী মতৈ য়াম্লে হায়না লৌজগনি।

অইবা

ছিরম লামায়

ছিরম	লামায়

১।	কেমখিগনি কৌরাং নোংমদি	১
২।	শীন্থা	২
৩।	হাংমিন্নবা	৩
৪।	উমং	৪
৫।	তুরেলগী ঈশিং	৬
৬।	লম্বী	৭
৭।	য়াংবা থৌবা	৮
৮।	কল্লিবো করিনো	১০
৯।	নিংগুমদবা	১২
১০।	তোল্লবনি ঐখোয়দি	১৩
১১।	ষণবী	১৪
১২।	মতম	১৫
১৩।	কায়রবা থম্মোয়গী তেংথাখোল	১৭
১৪।	খনবীদে কনাগীম্সু ফনবা	১৯
১৫।	মমাগী তেংথাখোল	২০
১৬।	চাং-নায়বা	২২
১৭।	মপু নিংবা হুই	২৩

হিরম	লামায়
১৮। মৈতৈ চনুরা	২৫
১৯। থকসি খাসি	২৬
২০। ইমাগী লমন	২৭
২১। পেন্দবদা লাইচুবা	২৮
২২। খাংঙ্ থক্কা মাঙলপত্রা	৩০
২৩। অনিগী লংদায়	৩১
২৪। তুহৎপীরে	৩২
২৫। লমচৎ	৩৩
২৬ চাক তাংবা	৩৫
২৭। হকচাং ফবা	৩৬
২৮। ঐখোয়স্থু মীনি	৩৭
২৯। অচাওরম কাবা	৩৯
৩০। ঐখোয় অমত্তনি	৪০
৩১। পোমশাৎনবী লৈরাং	৪১
৩২। লৌমী	৪২

১ কেনখিগনি লৈরাং নোংমদি

ফুগাইনা শাংলিবী লৈরাং
থম্মোয় ছুনিংঙাই ওইরিবী
পুম্নমক্কী মীতাফম ওইরিবী
তাইবং মালংসিদা ফজৈদকো নহাকসে,

পুক্লিং ছুনা নিংথিরবা থাবলগী ইপোম্মদা
লৈরাংনা মকা ফল্লা শাংপা উরগা

শাবী-শানৌ কয়াগী পুক্লিং লৈত্তাহনদে।

লৈরাংনা লৈখোক লোইবগা
কেনখিগনি খম্বদা থম্মোয়সে পুতম্জাকত্তবে।
তেল্লবা লৈরাংগী পুন্সিনি
মতম খরদংগী শাংপসিদা
খুদোংথিবা কয়ানা য়োমলিবীনি।
কেল্লগনি নোংমদি তারগনি চোইজাইনা

তাইবং মীওই ঐখোয়স্তু
লৈরাংগী পুন্সিগী পাংখকনি
চংখিগনী নোংমদি থাদোকত্তুদা পুম্নমক

খল্লুবদা থম্মোয়সে
মচেৎ তানা কাইখিগদোরে।

২ শীঙ্থা

শজিক থাবা মাংখরে;
চরোয তেতু খোংলকলে
কাক্ক' লানপাউ চেলকলে
চীংখৈ ফীতুপ হুল্লকলে
নোংপোক মায়কৈ ঙাল্লকলে,

নিংথিববা অয়ুক অসিদা
নুংশিবা লৈনম কয়াবু
মালংবনা শিন্থুংনা য়েঙ্বীরে
পুন্সি শীঙ্থা পাংলসি
হীংনবা লম্বী থীরসি।

শীঙ্থা পাংদনা লৈবদি
অরাবা কোকথোং পুগনি
মীরক তীনবা ফংঙমলোয়
মীনা থাজবা থম্বীরোই
মপুগী চৈবাক ফংগনি।

মা'দা তাবা থবকপু
হয়েংগী থম্মা থমফদে
ঙসি ঙসি হায়হুনা
তোকখিবনা কোঙ্গায়নি নংহৌদনা।

তৌগদবা থবক্কা য়ামথিবা
পুন্সিগী মতমনা তেনববা
তোকখি অযাম্বা পাংভমদা
ওইবকলগনি অহন মতম
পাংলসি শীন্থা মতম্মা লৈরিবৈ ।

৩ হীংমিন্নবা

হীংমিন্নসি খুৎশমননা মালেমসিদা
মমা অমত্তগী মচানি
মালেমসিদা পোকপনি
মালেমসিদা চাওমিন্নরকপনি
হীংমিন্নসি মীৎয়েং অমগী মখাদা ।

লাইনিং-লাইশোন খেৎনবনি
অচুম্বা থীবা লমদি অমৎতনি
খেৎনবা লৈতে ঐখোয় মশেল
চৎমিন্নসি মান্নবা পুকচেল চেন্দুনা
হীংমিন্নসি পুন্সি লৈত্তানা ।

নুংশিননা লৈমিন্নবনা
ঐখোয় খুন্দিংগী পাঙ্গলনি ।
শুমিন্নসি, চৎমিনসি ঐখোয়

৪ লমায়

অয়াং-অপা য়েংনসি
য়াইফ খৌরাং পাংথোকসি।

মান্না পুকচেল উংতুনা
অপুম্বগী খোল্লাউ লাউদুনা
মালেম শীম্বৃংনা য়ৈহনসি খোম্বাং
চাওখৎপগী মঙাল ফংমিন্নসি
ওইহল্লসি অইংবা লৈবাক।

৪ উমং

য়ানবীগম্ নৌজরিবা উপালবু
মপুং-মরৈ ফাম্রিবনি ঐখোয়দি
য়াম্বীরগা করিবু কান্নগনি
চন্নফবম্ লৈরোই ঐখোয়গী
ওইগনি পুন্নমক্কী অমাংবা।

চীংগী লৈতেং নংতনা
তাইবংবু য়োকশীবা ঐখোয়নি
উনংগী পুম্সিবু হুংশিবীয়ু
হে তাইবং মীওইবা
তৌগেদা তম্বা নখোয়নি।

থাবীগচু লংনমৈ ঐখোয়ব
চাকথকণ্ডগনি হৈপাল-উপাল
ওইরক্লগনি ঈশিং-মুংশিংকী অহোংবা
লমকংলা লৈবাক ওইরকতুনা
থাইবংদা অরাবা চৈথং পীরনি।

মুংশানা কাহৎলবা হকচাং ওইদুনা
চম্মু-চম্মু মুবথে
চংলনি য়াংবীথকতা রানা
থক্লবা ঈশিংশু ফংদনা
খোঙগংনন ওন্থোয়না শিরনি।

শেম্বীনিংবগী য়াখলদি পোকপীদা
কাম্ববদমক ফংনিংবা তাইবংও
থিকপীখিদে ঈশিং মরিক অনফাও
উপাল অমংতম্মু থাবীয়মদে
মীয়ুংশি লৈত্রেদা তাইবং মী ওইবা

তুংব্রলগী সৈশিং

লাক্লবনি কোরৌকক্কগী
মালেমসিদা লৈরিবা,
লেংলি পাল্লিবা নখোয়গী
অয়াম খোৌরাং কোক্লবা,
করিগী থওইনা তৌবীদ্রিবা।

মোতায় চুদায়নরবা ফীরোল
অপুম-আশা নমথী-হানৈবা
ইথক্তা মীনুংসি য়াংঙদনা লংথবীরক্লী।
তরূ-তরূ, তাংশং তাংশংনা
হৌজরকপা ঐহাক্লী মালেমসিদা।

শেংলা লাইজা ঐহাকপু
লৌশিং মঙাল ফংদ্রিবা কাংবুনা
লমথাংদা পুমমোং মোংহনবীরে
মকহনবীরে কুংচু-কুমেন
মীংচং কয়া থীহনবীরে।

মীওইবগী পুন্সি কয়াবু,
অরাম-খোৌরাং কোকহল্লিবনি
উচেক-রায়া কয়াগী পুন্সি য়োক্লীবনি
হৈপাল উপাল কয়াবু
থম্লাই মীবেল হাপ্লবনি।

ঙসি কোরৌ নুমিৎতগী
লংথরবীরক্লস্ন অপুন আশা
শুভ্রিলবীরক্লস্ন মচৌক চেনবা ফীরেল
ফাংতবীরক্লস্ন অনাং-অশোয়গী খোঙ্গন
মীয়ামগী য়াইফনবা ঐহাক্কী।

লম্বী

চংলি মীয়াম্না ইথক্তা
মীয়ামগী থৌগলগী লৈবনী
চংপিরবদা তাবনি অমনবা লম্বী
মীনা কুক কুক ইনন চংলদো
য়েংজনিংই ইমিং পেন্না।

অহিং-নুংথিল নায়দনা
থৌরি গাড়ি মথল কয়া
নাকোং শিংজা য়ৈবে
গাড়িগী অহৌবা মখোলনা।

লম্বী, ঐগী থম্মোয়দা
পেন্দবা কয়া পোকলকলে'
লংথোকপীরমলে লিক্লী মচেং
মীনুংশি থম্মোয় পান্দবা কয়ানা
য়ুহনবীরে মরাল লৈতা কয়াবু

লংশেকপীরে উহৈ মকু কয়'
তাহ্না লৈরে য়াংবীথকতা
থংহৌদনা নম্থু হলে পাঙজদ্রব কং'
হৈদোকপীরমলে খাওথা
উপ্লাকশিংনা তুরে য়াংবী থক্ত'।

য়েশিনবী ষণগীী উচুক
থবৌ চেলহল্লী মীয়ামদা
কামশিনবীরমলে পানা মহী
পুমঙাং ঙাংলে য়াংবীথকসে
য়েংবদা মীং নাশিন্নকলে।

য়াংনা থৌবা

য়োগনি পন্থুং থৌরবম্ব তপ্ন'
করিগী তহা তহানা থৌরিব।
মীংকুপ অমত্ত' পন্থবনা
পুন্সি চেংজেল কনগনি
মীংকুপ অমা য়াংখংলুবনা
খাংঙুথক্কো পুন্সি ইখমনগনি।

মমল য়াম্ন পুন্সি কয়া
মাংখবে খাংঙুথকতা ঙসি
য়াংনা থৌবা পামলুবদগী

নশা নত্তোমত্তা শোইবা নম্ভনা
মীবুক্ত চেম্নবীরি নখোয়না
তপ্পী-তপ্পী, কাকৈ-কাকৈ
মমাংগী-তুংইনবা অঙাংবু
খংহৌদনা থোক্বীরম্মী
য়াংনা থোবনা

নৈমাইথক্তা হাইথরে
ইঙাং পাক্লনরে ।

মীয়াম চোংথোরক্কুনা
অথোববু উতুপ-য়াতুপ্পা থোক্বীরে
ময়ুম য়োঙমদনা অনা লাইয়েংশংদা
য়োৎথরে ।

তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদবা
পামুইদা থাঙ্‌থক্তা কেমখিবা
চেকশিনহৌসি চেকশিনহৌসি ।

করিনো? করিনো?

করিনো ? করিনো ?
হিংনা তপ্না লৈবা পাম্বীরিবা ?
থুংতা থুংলায় পায়তনা
মরাল লৈত পংহাং হাংদিবা ?

চন্না পুন্স লেনজবা মীওইদা
করিগীদমক থুংলায় থারিবা
শুরগা তান্নগা হীংজবা পুন্সিনি
নোমজরগা শুজবগা মচা-মশু থাকচন্নিবনি

লমথাংদা হাংতোকপীরগা
কনা লাক্কগা চুচানিং থাকপীগনি
করিগী অশুক তমথীবা কালেন-থোরকীবনো
মীমুংশি মচেং অমাফাও য়াওত্রবরা ।

মমাগী মীকপ মীরাও
লোয়নবীগী তেংথাখোল
মচেশিংগী কপ্পা লাউবা
তাবা শুম্নীবরনে নখোয়বো !

হাঁংনা হাঁংনী শীহল্লরগেরা ?
ভৌনা ভৌনা থম্বীরগেবা
কয়াগী মতিক ব্রাৎৌব্রিবা
যে·হৈদরে উহৈদরে তাহৈদ্রে
থোক্লীবা থৌদোক কয়া অসে ।

পোকতমদনা পোকপা মপোক্নী
অকবা লায়না কম্বা কোক্ররু
চংনবি অরাপ্প অরপদা রায়েংবা
অত্থুব কদায ভুসিদি
মীৎকুপ অমদা মা·হনবিরে ।

অঙংবা, অতপ্পা, অথোংপা
হুমদোকপীখরে ভুসিদি মনিপুর স্না লৈবাক্কগী
অকম্বনা অচুম্বা শকলে অশোম্বা লৈহৈদবে ।
খুংলাই পায়দনা রায়েল্লুরে ।

কনমল্লী পুকচেল, [illegible] [illegible]
তুশোনবদা নৈহৎপা; [illegible] [illegible]
থোনা [illegible] ·শরুপান্ধ ?
পাঙেং [illegible] [illegible] ?

—০— ৫

নিংঙমদবা

কপ্পী মতোমতা হীক্লা হীক্লা
তারি মপী চত্তুম চত্তুম
থাংলি থম্মোয় থুত্তুম শুত্তুনা
য়েংলী মপুরোইবা লাংকদবা মাইকৈদা

তোয়না হংলি মচানা
কৈদৌঙৈ লাকনি ইপাদো
লৈবীরকনি হায়রম্মী অহাওবা ওমোক
অত্তুবু কদায় ? লাকপা কৌবম্ম লৈতবে

তাখিদরে পম্মৌগী য়ারা
উম্বিদরে ইপাগী মাইথোং
ইনবীরদরে ওমোক কয়:
হল্লক্ররোইদরনে ঐগী ইপা
পুময়ম মমশিলক্রে
মালেম লৈকোয়পুং অসে
অয়না অময়বু উনরক্রে
শিংচীল্লকলে কল্লবা নোংলৈ মুংশিং
থাংবা ওমলাংরোই এ লম্নী · মৈরিলকত্তা ।

তোমবনি ঐবাক্দি

কোয়না কোইনা পাইদুনা
উমং-রামং কয়াদা
পাং-তুরেল থাকনা
থৌরি হিংমবগী চীঙাক
ভাগ্যচৌরিদো মুংশীবা ঈচি কয়ানা
মহৈমখুংদা মঙক লিংখোক লিংখোকতুনা।

য়েংলমগনি ঐনা পাইরকপবা মাইকৈদা
ঈনিং তয়া পাইবা ফংজদে
তোমবা মপোক্তা পোকখ্রবনা
হাংশীগদবগী কোয়তান কোইতান তারবীরি
মখুংতা খুংলাই পায়দুনা।

পুনবন রাদে চীঙাকে
মুংশিবা ঈচাশিংগীদমক
মাংদন খুং ঐখুদম শায়রকোং
কয়া লিংতুনা চেনগনি ঐদী
শিরপত্র ঐবু অনুম
থাদোকপমদুনা মুংশিবা ঈচা কুয়াবু
হে মীওইবা নিজরি থৌজাল্গী খুৎকোং
তোমবা তাইবং মীয়োল ভাংবা ভুমদবা ঐপোয়।

ঐখোয়স্থু থম্মাই পাম্নিবনি.
ঐখোয়স্থু ইচা [illegible]।
ঙাংখোকপা ঙমদবনি, পুম্নমক্তি থংলোদো ।

ফণবী

মমা কায়নরবি মচা কয়ানা
থুৎলাম ভোয়না কোত্রি মমাবু
মচাশিংগী মীকপ থোক্লা
মালেম শিন্থংনা নৈরকলে
থকতা চংদবনী ময়াং কংত্রিক কং
তুরোই ঙামলোয় চৎতুনা
মমাবু কোইথি কোইথি থিরি
কংঙকত্রবদা মমীৎতগী মপি চত্তুম চত্তুক শিংগী
পলেম নোংনা কায়নথবি
মমু ভাইবং মীগী মচা কয়াবু
যম্বী ঐনা য়োকপীরবী
তুশোন্নবাশিংগী [illegible] হায়রি ঐনা ।

শারবা কাপ্পদনু [illegible]
চৌংজিনবী খোংনা [illegible] ভাকন্দ্রবা মতম
নোংনা পুমক্নোং [illegible]
শোম্নি লোম্নি [illegible]
পীক্লিবি তাইবং [illegible]
অগ্নবু [illegible] [illegible]
মীশুংশি যাওদনা থম্মোয় কনবাশংলা
ঐবু অরেম্বদা [illegible]
শুংশিবা ইচাবু কায়[illegible]রে
কল্লিদ্রকা [illegible] ।

— — —

[illegible]

ওসিগী শুংগাররবা মতম ক্নসে
চয়েং অমুক [illegible]
হৌধ্রগনি অগুম অনুম
চলকলন্মোক নৌহৌন — অমুক
নোংঙাবখিবা থংহৌদে

হুমিং তায়বংপীনা মহৌন্নি
চন্লেন অমী হুমিং তম্নখিবা
মাংদা নৌরঙপীবা মহৌন্নি
তেরবা পুক্লিগী মতমনি
পাংগনবা তোকখিবনা মচৌন্নি
রাখলতম্বক খন্দুনা লৈহৌরে
মতম খজিক মাংকদে
কয়াদা য়ামথ্রবা মতমগী মরম
মতম হেনখিনি পাংহৌসি শিন্না
হেনথ্রগা মতমনা কনানসু থৌওইবা রোই
তকসি শোন্দুনা তোকহৌগনী ইতোমতঃ
ঙাইবা য়মলোই কনাবুস, মতম্না
চৎখিগনি লেপ্পনায়দনা মতোমতা
নোংমা নোংমা হৌখিবনা
কয়াক কুরু কাখ্রক্লনী
তৌরক্লনী মুরবা খমলাং
থুইথরক্লনী তাংলবা উনশা
শোম্বক্লনী পান্দল
লৈরকলরোই থৌনা লিংজেল
পূরবক মতম্না হৈমচুনা পুথ্রগনী
মুংশীদকৌ হে মতম লাইরেম্বী

কায়রবা থম্মোয়গী তেৎথাখোল

ঐ করি পাদৈ লৈ ?
লৈতে করিঙ পাদৈ
ইতোমতা পেনজদবা নৎতবা ।
খল্লি, খন্দবদি নৎতে
কোংদোকপদি ঙমই
পাংথোকপদি ঙমদে ।
তৌরকলে মনিং, খঙ্গবা লৈতা
মাংহল্লে মীয়ামগী, মতোমতগী য়েংবদা
মীমুংশিগী য়াথল,
পোকনদরে মতমসে ।
হাৎতোক্লরে অঙম-অঙম্বা
লেপতে নোংমগী অশি - অনাগী পাউ
কীনরক্লরে ঙসিদি ওইরে হামু হামু
খুঁদোংচাবা থিনবদা
খংনরকতরে মথো মশক্
মুঙাইবদা পাম্মী
অরাবদি য়েংঙ দে ।
হৌজিককী থাম্লি, য়েংদে তুংগী
পামমনবনা শেন্দোং

য়ানমিরিজি য়ুনকপ্‌ চাগলক্তা চেংদো
পোৎয়ান চীঙ্গাক, থোরকলে য়াম্না
পৎনরে চাউখাউ শিরে ওন্না
লাউনবি ভোট পীরবীয়
তোহনরীয়ু সেবা মীয়ামগী ।
শেমগনি নৈবাক
ওইহনগনি চাওখৎপ্‌া
হাম্নীগনি থবক, মুংওায়হনগনি ইমুং
পীগনি শেন্থং
চাউখৎহনগনি খুৎশাহৈবগী থবক
কাপ্রবদা কাওখরে থুদিং
ওইখরে শাগৈ-নাহৈগী
খনদরে মীয়ামগী
খম্নরসি মীয়ামগী
লাকপসিদা অনৌবা য়াওন ।

—O—

থনবীদে কনাগীন্থু ফনবা

ঙাংলবা চীংদোলদা লেপতুনা
কোযনা কোয়না য়েংবদা
চৎলি মীশিংনা অপ্রাম্বদা ভাওতুনা
মুংঙাইবদা লুপতুনা।
থীরি মশাতগী ওইজবা
থবীদে কনাগীন্থু ফনবা
মীহৌ চাওবা নহাকপু
উরিনে থুদিংমক নাক্কা নৈবা ঐনা
লোম্না লোম্না তৌরিবা
কনানা খংলোয় খজিনবা
ইকোং কোননা উরি ঐদি।
ঐতগী থম্মই হিংবদি
পুকচেল শীকপগী থুমনি।
ঐগী কান্নবা থৌজাল
মীগী মংমবা তৌকদে
মীগী থমোয় লোকহনবা।
হিংবদা নাবকা পুন্সি ওইগনি
অপোংবা নায়না নুন্দুনা অচুম্বা লম্বী চংদুনা
পুন্সি শীন্থা পাংলসি

মুংঙাই মপোক ওইরসি
পুন্সি লৈতাম্না লেল্লসি ।

———

মমাগী তেংথাখোল

ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা
হল্লকখোগবা অমুক্তা
লমদম কৈদা চৎপ্রবগে
নুংশিবা ইচাগী শকতম উদবা
কৌরৌশিংবু য়্যামলকলে ।
লোইদাম থাজা কুইরকলে ।
থংদরে লৈফম ইমাদি ।

অয়ুক্কী কৌরৌগুম নুমিদাংগী থাজগুম
ইমানা নংবু য়েংজবনি
ইচাগী শকতমদি উথিদরে
নমানবা কয়াদি লাক্লীদো
পলেম নমাদা ইচাগী পাংথককুম কৌরিদো ।
থম্মোয়দা তাশন্না থিনবগুম
থাংবা ভমলকতরে ইমাদি ।

ইচান' লাম্পা মতম য়োৗরগা
ইচা লাকদবোই নিংহদো
একটো গড়ী খোঙ্গেল তারগ'
নাকোং রাংনা থাঙ্গংলি
ইচা ওইরবোই নিংলুরে
ইচাদি ওইরমদরে।

চংখিদে' হেন্দোকতুনা
তামখ্রে ওক্তো গাড়ি মখোল
ইত্তোমতমক থপ্পোয কয়না লৈহৌরে।
লানজদবা ইচাবু কায়াদা
তমথীনা হাংপিবিব'
কয়াদ' মীনুংশি থংত্রবা
শাহিং চাবা ক্ষিংচাবদগীম্ভ হেনথরে

ইচাগী থরাইগা চকচাংগা খাইনরমদাইদা,
ইচানা কয়াদা রানা থাঙমগদবা
পালেম নমাদি লৈবা গুমলকতরে
চংলি ইচাগী রাথলদা
অঙাওবীগী পাংথককুম
মুকুম মুকুম শোন্দুনা।

— —

চাং নায়বা

লাকচরকখিদো চাং নাংটক্লবা
থবক থৌরম খুদিংদা
মহৈ তমবশংদা চাং নাইনা কংবনা
ফংখিদো মনা মথুম চাওনা ।
পারবদি চাং নায়না লাইরিকপু,
মীকোক থোংবা ঙমখিদো ।
মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা
চাং নায়না থবক তৌবনা
মাইপাকপা ঙমখিদো ।
চাং নায়না হকচাং শাজেল তৌবনা
হকচাং ফবা ঙমখিদো ।
লমশাং লমজেল চেনবদা
চাং নায়না চেনবনা
পম্বুংফম লায়না য়োইহদো
লৈব ক লৈঙাককী লোইশংদা
চাং নায়না কংবাদি
মীরা মীশা লাংদেদো
মনা মথুম চাওনা ফংবনি ।
চাং নায়না থবক তুবনা

পাঙ্গল ময়েং তাদেদো
পবক মঙম লাংনা চৎলিদো
তাং লায়রা তম্বুনা
মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা
চাওখৎ খোংথাং পূরক্নি ।

মপু নিংবা হুই

থেংনবা অহিংদা চিক্লবা মতমদা
অবাগ্নদা তারি তাউবা হুইগী মখোল
অচিকপা থুগাইরি মরক মরক্তা
ইনজরি মপুগী তুং তনদনা

শংজরি মপুগী লন-থুম
মপুনা হল্লকপা উরগা
থেক্লা খোয়না হায়না হুমনা
মুংশিবা খোলহৈ হাপতুনা খোংজরি

নোং ফুং ওাম্বদগী
মুমিৎ তাবা কাওবা
মপুগী মতুং ইনজবনা
মখোদাং ওইজবা পুন্সিনি ।

মপুগী ইঙ্গীং তুংইন্না
মথৌ পাংজবা তাওবা হুইনিদো
উরক ব্রারক, পাং, তুরেল; খোংবাল
খংদবমখৈ চোংশিনজব হুইনিদো
মীতোপ খোঞ্জেল তাবদা
গৌ হায়না চোংথোকপা
অক্রি—অশ্ব লৈতবা
পাঙ্গনবা তাউবা হুইদো
পীজবা থরনা হিংজবা
নুংশিরবা হুইগী মপোক্কী
লুনা চান্না তৌবিসি মহাশপু ।

———

মৈতৈ চনুরা

খোনা লৈবী মৈতৈ চনুনি
থাংবা কন্বী লৈবাক-লৈঙম্বীনি
শীংজেল লৈরাংগী পাওখক ওইরিবী।
পূক্নিং লৌশিং ওইনবা
লাইরিক মাবু তমলুরে
লৈবাক রায়েলশংগী থবক ফংবদনা
মীংচৎ লৈবা নৎতে,
অপিক্ অপিক্ থৎশা হৈবগী
থবক থৌরম পাইখৎতুনা
চাওরবা শেন্দান লন্থী অমা পুরকপা চন্থী
মাংদা ফীশাকোন থাডুনা,
থৎতা পাংচেম্ পাইদুনা,
শুনা থরাক্ কাংদুনা,
কবোক চায়বী কযা লৈতেংদুনা,
অনৌবা ফীজোল পুথোকতুনা,
উৎলমসি মীরমলেন্দা নিংথিবা ইয়োং ফী
ইখংনা শুবা ইথৎনা পুথোকপা
অনৌবা মথলগী ফীজোলনা লৈতেংসি
থৎশা হৈবগী থবকতা পুক্নিং লুথসি
চাওখৎপগী লন্থীদি থৎশাং হৈবগী থবক্নি।

— —

থকসি-থাসি

মাংখিগদৌরে থকসি-থাসি

তাইবংসিদগী

ওস্তোকপনি মতমগী য়াওল
মতম অমদা লৈবক্মী নিংথিজ্জববা থকসি-থাসি
ওজা - ছাত্র অনিগী মরক্তা
মেং থোংলবা রাইহ রাতা কয়ানা
মীওইবগী থস্মোযবু পেংহল্লি,
উনা থুদিং থুবক্মী, ছাত্রনা ওঝাবু
কযানা ঙুংশি চংল্লা লৈমীন্নবস্বা.
অদুবু কদায ভসিগী তাইবংসিদা
ছাত্রনা ওঝাবু ওজানি খল্লকতবে
মকপ-মপাংগী মতৌওম নীংলকলে
কৌনদংনখৈ লেং-থৈননা চংনরে ।
কযাদা হন্থবক্লবা থকসি-থাসিগী থাক
লৈথা-তানা মাংখিণদৌববা ।

মীপাইবে থস্মোইন্দ্রংদা ।

লৈরক কোনশাং থুদিংদা
অযাংকপা-অকনবা থোঞ্জেলতা তারি ।
থোং-নৌববা থকসি-থাসি

রাইহ কয়াদি

অরাংহৃদা মতমগী ঙুংশিংনা হুম্বীপ্রমানে

অমুকতংদি লংকহনখিসি অনৌবা য়ংঙল, মরুপ মপাং মরক্ত. ওজা-ছাত্র অনীগী মরক্ত পলেম-পল্লৌগী কাপা. থকসি খাসি থম্বা ডমখিসি য়াইফ থৌরম পাংথোক্লবা ।

ইমাগী লমম

থাবুম তরা নাওপুত্না
তাইবং-মালং ফাউহনবীরে,
পলেম — ইমাগী তম্পাক্ত
কুম্লাং কয়া নউথি শাউনা
চাওরকপনি ঐখোয় খুদিং
অমুক-নুংখিল নুমিদাং অহুমদা
ইমানা ঐবু শেম্বীরি,
খুদোং থিবা কয়াদগী কনবীরি
ইমাগী নুংশি মীৎয়েংনা
লৌশিংগী মঙাল পীনবীরে
শামু - পাঙ্গল চাউহনবীরক্লে
ইমানবা মবক্তা তিম্নবা ফংজবে
পলেম ইমানা মচাগীদমক

কয়াদা রাক্লখিবা,
মচাগী রাখল শনবদা
থৌরম কয়া কাওরিদো,
অরাবা পোংলুম পূবীরি।
মচা ঐখোয় খিকিকনা
রাজরবী পলেম ইমাগী
কাওফদনা শিংলমসি লমন

- (O) -

পেন্দবদা লাইচুবা

হে তাইবং মীওইবা
ওকইদকো নচাক অসে
পেনব-কৌবদা নায়দেনে
ওকই কৌবদা হায়দেদে।
পীরিমবে পেন্দা লাইচুইদা
গাড়ীমকতা হায়বন্ন অনি-অনিদগী অলুম
লপামকতা ওইরে কিশিংদগী লাথ.
লাপতগী কোতি।
লৌমকতা ওইরে. শঙমদগী, লৌরাক,
লৌরাকতগী পমী।
পেনবা কৌবদা মরৈতগা
মীওই পোকী মপোকনি।

ঐগী, নংগী, নংগী ঐগী
শংলেনরি, লাউনরি মখোয় মশেল
মীযামগী য়েংদনা, মশাওগী য়েংহনবা
খে পচিংপ্প লম্বী কয়া,
শাক্তিল্লরি য়ুম-কয়া লম্বী নাকৎতা
পেন্দবদা লাইচুহনা

করিগী অতুক পেনাযন্ত্রিবঃ ?
শিবগা পুবা য়াবা করি লৈ ?
চংখিগনি কনাম্ব লোয়নদনা
জুন্দোক্রমগনি তাসম্বঃ ইরম
অফংবঃ খরনা পোম্তাকপম্ব

মত্তম্বাস

থাংজু থক্তা মাঙলগস্ত্রা

লৌশিংগী মঙাল কংনবা
লাইরিক মাবু তম্মিংহুনা
খুলান খুলানহুনা লাক্লগা
তমজরি মহৈ মাবু হৈনিংহুনা
অঙম্বা মথে হোৎনবীরি ইমা-ইপানা
শা-কৈনা থজবা
গুরু-উনুং-য়ানুং ফাওহুনা
ওম্নবা চীংমায় হায়গৎহুনা
লাকচরি মহৈ-তম্ফম শঙ তম্না
অকি-অথং থাদোকহুনা।
শা-যনগী পাংথককুম
মাবু থাংনা য়ান-য়ান্দুনা হাংচিলকপা
মীপায়জবনা লাংতক্রে মহৈরোয়শিং
মহৈ-তম্ফমশং যাঙ্গোল ওইহৌবে
লৌফম কয়া মোংশোং ওইখরে
ক্ষৌথোক চাথোক হন্থবে,
অকীবা লৈবাক ওইরকলে।
তুংগী মুখীবেল ওইগদৌবিনা
নৌরিবা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি
লমথাংদা মাংলগস্ত্রা মীপাযনবে। 

অনিশী লংদায়

লাইনিং - লাইশোলস্ত তিন্নরি
কুচু - কুমেনস্ত খেংনদে।
শকলৈ শকতা অচাউ-চাওদস্ত মান্নরি।
চিঙ্গাক ফংই মমান্নরি
করিগী অশুক নুংশিনত্রিবা
ব্রায়েন-কাতি থাংনহনা
অরাংবা পাক্টী রাখলল্লোনগা লোইননা
য়ান্নবা অমা পুরকপনা
হৌরক্লিবা নগারোলশিংগী
যাইফ - থৌরম ওইগনি
চায়রে কাংখোং, লৈতাদরে অনিমক
পীক্লিবা মচাবু মমাগী তম্পাকতগী
মুন পুন্দুনা লৈমায়থক্তা চায়হৎপীখরে।
মচা - মতগী লৈত - লাংব্রা থীজবা কয়াস্ত,
উমুং শরানুংদা, লবুক - লমহাংদা

হাৎপীহনা থমবীর

মচা কায়নবগী তেংথা . শ
মপুবোইবা কায়নবগী অ াবা মৈচাক,
চাবা - থকপা কংলকতং অরাবা,
য়ুম - কৈ লৈতবগী খুদোংথিবা

পুন্নমক অসিগী অন্নাবা
য়েংহৈদরে ইমিং অসিনা
অমুক্তদি হিংমিন্নবিসি ঐখোয় পুন্ন' ।

— — —

তুহংপীয়ে

থুংতা থুংলাই পায়তুন
অকি অপং লৈতনা
চংলি চংলি মফম থুদিং
থীরি তুংশোনবশিং কাপথুবীরি
মরাল — লৈতবশং

মীচম প্রজা হাংলগা
তুংভাইবু পোকপরা ?
পীক্লবা খোমগী নবাবু
নোংমৈ গুল্লি ইনবীবদি
কজীং—করাইগী চৈরাক ফংগনি ।
পাঙল লৈতা মপোকনি
তাংজরী উরিগী পাখকনি,
থোং নৌরবী লৈরাংগী পান্দমনি ।
মখোয়দা থুংলাই থাবদি

মীংচং কয়া পুরকল্লিবা ?
মাংতাক্লবা তাঙ্গোয ওল্লপা।
লন থুম কয়া অসি উরগ।
পেল্লিবরা নখেংহঙী থস্মোক্ট।
মীহুংশি খজিক ফাওবা পোকতবরা ?
পোক্‌ভমদনা পোকপা মপোকর্নি
মতম খম্নাংগী তিংবা পুন্সিনি
পুন্সিগী মতম খর অসিদা
ঐখোয় মশেল হুংশি চান্না লৈমিন্নসি
থাদোকলসি য়েক্না - রাধল



লমচং

শেমগৎসি অকবা লমচং
ওইহনসি মীয়াম্না থাজবা মী
লমচং ফজবা মীবুদি
মীয়াম্না ভরাম - ভরাম ওকনৈদো
হুংশি চান্না ভৌবীদো
লমচং ফংভবা মীবুদি
মীনা থীনা ভাংনৈদো

তৌরুবা থুদিং থাজদে
শীননিংদে অরুবা থবক কয়া মঙোন্দা
অরাফমদা তাত্নুনা মতোকই ।
পুন্সিগী খোঙথাং থুদিংদা
লমচৎ মানা কনবীগনি ।
পলেম-পন্থোগী য়াথং কোকতা থোং
কৈরেংয় লৈকাইগী অহনশিংগী
পাউতাক মাংদা থম
ওইরক্কনি অফবা লমচৎকী মীওই ।
অফবা লমচৎ পুবকপা
মতম কুইনা চংশিংদো
ফত্তবা লমচৎ ওনবদি
মীকুপ অমদা ওল্লিদো
খুনাযসিদা অফবা লমচৎ
পুরকত্তুনা নিংখিবা সনা-লৈবাক
অমুকত-দদি ওইহনখিসি ,

— – —

চাক তাংবা

শুরগা চীংবা পুম্সিনি
তাল্লগা ফংবা, তানদ্রগা ফংদবা
শুরকতরে, নোম্লকতরে
ফংলরোই, তাররোই হিংলরোই
লেপনা লেপনা ফম্না ফম্না শিরক্লনি
চরাম-চৎতৎননা ওস্থোয়না থাংলগনি ।

চাহৈদবা চীঙ্গাক চারক্লনি
য়েংহৈদবা মীয়েং য়েংনরক্লনি
তৌহৈদবা থবক তৌরক্লনি ।
শুরান চীম্থী হেনগৎলক্লনি ।
থাংবদা রারবা পুম্সি ওইরক্লনি
তনচেৎ অমগী, চাখেম অমাগী
মচিন-মনাও ফাওবা ফুনরক্লনি
শেৎপা-চাবা ফংলকত্রবদা
নাংবা কায়বগী কাথবা
ভাইতাক্লা ওইরবদা
করম্না চাওগৎ খোংথাং পূরক্লনি ।

চীংমাও কম্ল য়ানখিদরে পাম
অরাংবা চীংদোল ক হুনা ।

য়ানখিদরে পাম, থাখিদরে ফো,
য়ুম কয়া, েং হুবনা ৈলবা য়ানরক্রে
কিরদগী ঈ ফানবা চংপা
চনখিদরে শীং, ব্র না থারে শীং ফাওবা
ললেন ঈতিক চংখিদরে
শেন্দান লম্বী হম্বরে
শেংপা-চাবা ব্রাংলক্রে
নীংদোল পোম্না খাংনরে,
করম্না কোকনি অরাবসে 

হকচাং-ফবা

তাইরুং রুখান গ্রুকসিন্না
পোকন্নীরে পলেম ইম্নানা
পোকপদা ৈলনা-তিন্না লোইনরক্রে
তুরেলগী লাইকনা মকুদন্নী শেংনা লাকপগুম
পলেম-ইমাগী খোম্নাং থাদা ৈলরিবৈ
হকচাং-কন্না ৈলরকই।
পলেম খোম্নাং থাদোকবৈ
পোংয়ান কয়া চারকবৈ
ওন্নরে ৈলমা মথল-মথল
শোম্বহলে শীংলি নাওরি।

পংথহল্লে হকচাং কয়াং কয়াম্নু
হুগুম ঙমখিরবা ময়াইকনবা চৌঙাক কয়ানা
নহা কয়াগী পুন্সিবু
অবেম্বদা খাংঙখক্তা পীথমনহল্লি ।
মমায় মমীং ইপোম পোম
কুচ কুমেন তাইফেং তাই
চৎলি মাংবীথক্তা ফুয়োই তামলোয়
য়েংনরি মীয়াম্না মাবু খুদোম্বী থিন্দুনা
খাদোকলসি ময়াই কাবা খুদিং
ফংল্লসি হকচাং পুন্সি তোলোয়নবা
হকচাং ফবতনা পুন্সিগী
মাংকত্রবা লমনি কাওগনু ।

ঐখোয়স্থু মীনি

মাংজিল থানা চাওখৎপ্রবা
অমেরিকা, জরমন, জাপান
মখোয়তনা ভোবা মতৌগুম
ঐখোয়স্থু নোংমদি ঙমখিপনি
ঐখোয়স্থু মীনি ।
পুক্নিং হকচাংনা য়াওরবদা
হবা নায়দা লীংজেল লৈরবদা

হোৎনবা লেপ্পা লৈত্রবা
ওমগনি পাংথোকপা থবক থৌদিং
ঐথোয়স্থু মীনি।

অম্রগা হৈবা ওাক্তনি
থেংনক্তবনা লৌশিং হেনগৎপনি
পুক্রিংদা অচেৎপা থমত্থনা
লেপনায়দনা হোৎনরবদি
পুরক্তনি মাইপাক্পগী থবক
ঐথোয়স্থু মীনি।

কমাস্থ খংউ উক্তনা পোক্লক্তে
মীগী মীগী হকচাংগী হকচাং
থুৎকী থুৎ কোক্তী কোক
মীৎকী মীৎ চপ মান্নৈ
লমতাক লমজিং থেৎনবনা
চাওখৎপা হানখিবনি মীরম—:লম্না
ঐথোয়স্থু মীনি।

মীওইপোক্তী পুন্সিদা
হোৎনবা কল্লবদি ঐথোয়না
ওমলোয়দনা স্থুকলৈ লৈতে,
মালেম লৈকোই পুংসিদা
ঐথোয়স্থু মীনি।

অচাউরম কাবা

শেনবু মখুৎতা খরা মপাইরবা
মচৈ খরা মহৈরবা
মপাজলনবু খরা কল্লবা
মরুপ মপাং খরা মরৈরবা
খোইচং রাংচংনবগী রাখল
হেক্রা মপোকইদকো ।

মরুপ মপাং কাওশিল্লকলে
শাগৈ নাতৈ য়েংনরকতবে
মীকৌ মীরন হোংলকলে
রাঙাং কমজাও চুল্লকলে
মীবু নৈবা য়াগদবোই নিংলকলে ।

ঐনা মহেল্লে চংলগা
অহেনবা অমা খোরকপনি
হে তাচবং মীওইবা কাওগনু
রা-তোন্না রাংলগা
কাক্রা খেমদেকই কাওখদে ।

অচাউরম কাবা মীবুদি
কনানসু সুংশিদে মচাকপু
মমাংদা ভাংবা অমন্ত্রবসু
মতুংদদি মীনা থীনা ভাংবৈদো
অরাখম তাগল্লি মচাকতি । ✪

ঐখোয় অমত্তনি

তমমিন্নসি ঐখোয় মশেল তমফম শং অমদা
শান্নমিনসি শানাবুং অমদা
চান্মিন্নসি চাকলেন অমদা
শুমিন্নসি শুকম অমদা
অশেংবনা কনায়নে অমাংবনা করিনো
লুবা নানবনা অশেংবনি
লমচৎ নায়দবা অমোৎপনি অমাংবনি ।
অথিবা রংহৈ ভাংহনা
অয়াকপা খোঙ্জেল শিজিন্নবা
অশোয়বা ভাইহাক্তা ভাংবদি
হন্থবা থাকনৈ মীওইগা পাংথকনি
পুকচেল শেংনা তিন্নবা
অচুম্বা লম্বীদা চৎমিন্নবা
অপুনবগী শক্তম ভাক্তনি ।
অপাবস্তু যাম্নৈদো অরাবস্তু খেৎমদে
সুংশিবস্তু পোকনৈদো অশাওবস্তু কাওনরি
অকেম্নস্তু কৈনরি
খেৎনবা কৈতে ঐখোয় মশেল
মালেমসিদগী হৌরকপনি
মালেমসিদা তিন্নখিগনি । 

পোমশাংনবী লৈরাং

পোমশাংনবী লৈরাং ঐখোয়নি,
তনৌরবী লৈরাংগী পুন্সি,
ইকাই খীবী পোমশাংনবী লৈরাংনি
মীপাই চাওবীগী মপেংক্তা পোকচবী
লৈকোম্নংদা উনারক্তা লোংতুনা,
ইচেশিংগী কুইম্ন য়েংলীবীনি ।
ইতারোইশিংগী নুংহোংবন্দু য়াওজহৈরোই,
পাখং নাপদন্দু চীবীহৈনৌ ।

লৈরাং নাচোম শেমবদন্দু য়াওজরোই,
মপুগী থুতমদন্দু কংপীহৈনৌ
পোমশাংনবীবী লৈরাং ঐখোয়নী ।

লৈহৈকপী কয়া লাকপা উরপা
পাখংচবনা ইথোদাং ওইরিবীনি
শোকপীহৈনৌ থংপীহৈনৌ
মপুং কাব্রীবী লৈরাং ঐখোয়বু
লৈকোলসিদা খোইমু পাইরকনি
তথক-তথক লৈজরীবা ঐখোয়মি

কৌবৈ-কৌবৈ থল্লগা
লৈরাং লৈশাং তমজিন্দৈ
চৌকথংপীরমগনি থোংনাবী লৈরাং ঐখোয়দু
চোইনা তাহৌরগনি লৈমায়নবীনা ।

লৌমী

শায়বা কালেনগী নুংশাদা
কম্লবা লৈতংগাদা মরিক্তা।
অরা-অমা থীদনা
খোইরি-শরপোং থৌমা লৈনা
চীংজিন থাগী নোংনা [illegible], [illegible]
শারি লৌরি নাইদনা ঈশিং থুংনবা
খুত্তা য়োংপাক পাইদুনা রাত্তো কাজীন লোকোদগী
নিংথিজনা শেয়রবা লম্বুদা
মখুত্তা কৌদি পাইদুনা [illegible] চাইথনবদা ।
হোরকলে নিংথিজনা লৌ-পাদা
পূমনং শংনা হৌরকলে লৌবুক,
লৌমাংতুগা পাথংনা

থুলং-ঈথৈ শক্লা শক্লা ক্লেজরি লৌবুক,
মালং শাহুম ফংবদ!
কৌমানা লেংলেং চৎলকপা
কয়াদা পূক্লিং হুনা কজরিবা
কোকহল্লি অরাবা লৌমিগী
কৌনালক্তগী কৌমা জম জম পাক্লকপদা
পুমতাং ভাংবা লৌবুকপু উরগা
খোইদানা নোকচরে লৌমিশিংনা।
থুডা চৈরোং পাইহুনা
থুলং কয়া থীহুনা
মৈরী কৌবু লৌবুক্তা
কৌরি কৌওইবী নাইরেয়ীবু থুলামতোইনা।
মুংশিবীরে কৌওইবী নাইরেবীনা।
খোকহল্লে কৌ মতিক চানা।
হাপচরে কৌগৈ থয়া
হোংনমলগী মহৈনা
হাপচরিবনি কৌগৈ থয়া ... পোকা ...।



লো...বা।